লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) :

প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সী এম) গী মীৎয়েং মখাদা লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরম ওবজার্ভেসন কম্মিটি (এল আই এন টি ও সী) না শীন দুনা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা এমসু হেদ ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৪শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম লৈঙাক্লা পীবা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না এল আই এন টি ও সীগী কনভেনরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অসিদা পি পি সী এমগী কনভেনর জিটেন্দ্র নিঙোম্বা, এল আই এন টি ও সীগী কনভেনর এস রতনকুমার অমসুং ফাইনান্স সব-কম্মিটিগী কনভেনর কে ঐচ গোপে লুৱাংনা থৌরম মপুশিং ওইখি। লোয়ননা এল আই এন টি ও সীগী প্রোগ্রাম সব-কম্মিটিগী কনভেনর দল্লিয়ু ইনাওনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীখি। থৌরমসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মীওই কয়ানা লময়ানবগী মীতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখি অমসুং থৌরমসিবু শরুক য়াবা লাকপা মীওই কয়ানা লময়ানবনা শাগৎলম্বা খুন্নাইগী ওইবা ৱাখল মীৎয়েংশিংগী মতাংদা তিল্লিবা মীয়ামদা ৱা ঙাঙখি।

চেরোলসিনা মখা তানা হায়, ঙসি মণিপুরগী মনুং অমসুং মপাল লমশিংদা চহী খুদিংগী লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম সেপ্টেম্বর ৩০দা লেপ্তুনা পাঙথোক্লরি। লুরিবদি লময়ানবগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লিবসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক খঙমীন্নদ্রগদি মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈতে। চহীগী কেলেন্দর প্রোগ্রাম ওইনা পাঙথোক্তবা য়াদবগী পাঙথোকপদি অরানবা মীৎয়েংনি।

বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক অমসুং নিংথৌগী শুপ্নম লৈঙাক্লা লমদমসিগী মীয়ামগী রাইট মৎপীবা অমদি চৎনরিবা খুন্নাই লৈঙাকলোনগী অমদি শেন্মীৎলোনগী মশক্লা লমদমসিগী চাওখৎ লমজেলদা মনীং হলহন্নবগী ওইবা থৌদৌ থৌওংশিংগী মায়োক্তা লময়ানবা ইরাবতনা য়াওল ঈহৌ শাগৎখিবনি অমদি হৌখিবনি। লোইলম অমদি শুপ্নম লৈঙাক্লা মীগী অনীংবা অপান্বা ৱাখল মীৎয়েংশিং ফোঙদোক্ল বগী তাঞ্জা মৎপীবসিনা মীয়ামগী নমশিন্দুনা থম্বীরিবা থৌনা লিংজেল ফুদোক্লবা খুঙ্গং খুনয়া কোয়না চৎতুনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা হোৎনরম্বা লুচিংবা হিজম ইরাবতনি হায়রি।

লৌউ-শিংউবনা মপূং ওইবা মণিপুরদা লৌমীশিং ৱাখল তামিন্নবনা খুন্নাইগী য়াওল ঈহৌগী য়াংলেন শরূ ওইগদৌরিবনি হায়বা অচুম্বা ৱাখল্লোন্দা য়ূম্ফম ওইরগা লময়ানবনা মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎখিবনি। মীপাল তাংদবা, ইরোমদোম লেপচবা ঙম্বা মীওই কাঙলূপ ওইনবা পোথোক মরাং কায়না পুথোকপগা লোয়ননা পুথোক্লিবা পোথোকশিংগী মপুসু পোথোক পুথোক্লিবশিংনা ওইগদবনি হায়বসি লময়ানবগী ৱাখল মীৎয়েংনি। লীলাগী ফম্বাক্তা কুমদুনা মীয়ামদা ৱাখল্লোন শন্দোক্লবা হোৎনরম্বা, শান্ন-খোৎনবগী লম্দা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মশা-মউ ফবা নহারোলশিং শেমগৎনবা হোৎনরম্বা কয়া হঙ্গৎনা য়েংবা য়াই। ৱারেং-শৈরেং কয়া ইদুনা মীয়ামদা ৱাখল্লোন পীরম্বা লময়ানবগী অচৌবা কন্ত্রিব্যুসন অমনি। নহারোলশিং অমদি তোঙান তোঙানবা মখলগী মীওইশিংবু অপূনবগী মশক অমা শেমদুনা লৈবাক খুন্নাইগীদমক্তা কথোকপগা লোয়ননা থৌদাং লৌজনবা য়ুথ ক্লব, লাইব্রেরি, ওর্গনাইজেসন কয়া লিংখৎলম্বা মীশকনি হায়রি।

চেরোলসিনা হায়, নুপী ওইবীশিংবু ৱাখল থৌনা হাপ্তুনা লোইলম অমদি শুপ্নম লৈঙাক্কী থৌওংশিং অমদি শেন্মীৎলোনগী চৎন কাঙলোনশিংগী মায়োক্তা ঈহৌ হৌবদা মতেং পাংশিন্দুনা নুপী ওইবীগী য়াওল ঈহৌদা মথৌ তারিবা খুন্নাইগী তোঙান তোঙানবা লংলা লংজিনশিং মশক খঙদোক্তুনা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌহনখিবা, শকলোন য়াম্বা মীয়ামগী লুচিংবনি।

মতাং অসিদা নৈনবা য়াবদি লৈবাক খুন্নাই অমা চাওখৎপা, মাঙজিল থাবা অমদি মরোমদোম চৎখৎহনবদা মীয়ামদুবু লুচিংবীগদবা মতিক চাবা লুচিংবা অমা য়াম্নমক তঙাইফদে। মদুগী ফীদা অদু মতমদুদা লময়ানবা হিজম ইরাবতনা লৌখি। অদুবু ঙসি ওইরিবা মণিপুরগী লৈবাক খুন্নাইগী মশক অসিদা মীয়ামগীদমক চোঙথোরকপা লুচিংবা কয়া মহাক্লা তৌরকপা মথৌ মঙম উদ্রিবঙৈ, মহাক্লা তৌরিবা অফবা থবক্লা করম্বনো, ফত্তবনা করম্বনো অমসুং পূক্লিং থৌগৎপা য়াবনা কদাইফাওবনো হায়বনচিংবা নৈনবগী মহুত্তা মহাকপু চিংথনবা থৌওংনা হেনবা মীয়াম ওইরি। মীওই অমনা অফবা চান্মা তৌরম্লবসু অশোয়বা অমা য়াওরকপদা মদুবু হঞ্জিন হঞ্জিন অশোকপদা থুম থাকপগুম নৈনবীদুনা মহাক্লা তৌরল্লিবা অফবা থবক খুদিংমক লৈখা তাহনবগী চৎনবী লমদমসিগী মফম খুদিংদা লৈরি। সেল্ফ ক্রিটিসিজমগী ৱাফম নাথৈরগা অতোপ্পবু ক্রিটিসাইজ তৌবতমক হৈবগী চৎনরোলনা ঙসি ঐখোয় চাওখৎ লিক্লমদা মাঙলোমদা চৎখৎপা ঙমদ্রি। মী মীশিংদুগী মাগী মাগী লেভেলগী মতুংইন্না মফম মতম চানা মথৌ পাঙথোকহনবগী চৎনরোল লৈতবনা ঙসিগী খুন্নাইদা তারিবা তমথীরবা তীল অদু ওইরি। মসি পূন্নমক মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবতকী ৱাখল মীৎয়েং তাইওন্নবনি। পুন্নমক অসিবু মাঙদা থল্লগা লময়ানবা হিজম ইরাবতনা য়াৎপীরম্বা য়াওল ঈহৌগী লিক্লম মতুং ইনবা ঙমজদুনা লমদম অসিবু মাঙলোমদা চৎখৎপা, মাঙজিল থাবা লৈবাক খুন্নাই ওইহন্নবা হোৎনবনা লময়ানবগী ১২৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগী অশেংবা মশক ওইগনি হায়নসু চেরোলসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এৱার্দশিং লান্থোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) :

লৈমরোল খোর্জেকোল (লৈকোল) না কুমজা ২০২০গী ওইনা পীজবা এৱার্দশিং লান্থোক্লগনি হায়না লৈকোলগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, চোংথাম বিমলা বসন্ত এৱার্দ ২০২০না পদ্মশ্রী ক্ষেত্রিময়ূম ওংবী থৌরানিশাবীদা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ, খাইদেম প্রমোদিনি এৱার্দ ২০২০না থোকচোম বিনাপানিদা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ, ক্ষেত্রিময়ূম য়াইমা অমদি থম্বাল মনা ২০২০না নঙগী ঈশৈ শক্তমনা কনাগীবু শক্লুনি (২০১৮) হায়বা শৈরেং লাইরিক অসিগীদমক দিলিপ ময়েংবমদা অদুগা থিয়াম কৃষ্ণচন্দ্র রাধেসখি এৱার্দ ২০২০না হায়নৈ নঙবু লমজানি (২০১৮) হায়বা ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক অসিগীদমক শঙলাকপম অচৌ শর্ম্মাদা পীরগনি হায়রি।

এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশীং ১০, সাইটেসন অমা অমদি ইন্নফি অমমম য়াওরি। এৱার্দশিং অসি মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ৬তা লান্থোক্লগনি হায়নসু চেরোল অসিনাম খা তানা খঙহল্লক্লি।

পীশুমদা লৈবা ইরাবতকী মীতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) :

পীশুম ওইনাম লৈকাইদা লৈবা লময়ানবা হিজম ইরাবতগী মীতমদা, হিজম ইরাবত মেমোরিয়ল চেরিটেবল ট্রষ্টনা শীন্দুনা ইরাবতকী মপোক থৌরমগা লোয়ননা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা পীশুম ওইনাম লৈকাই হিজম ইরাবত মেমোরিয়ল টেরিটেবল ট্রষ্টকী কনভেনর খোইস্নাম তাকয়োনা হায়খি, পীশুম ওইনাম লৈকাইদা লৈরিবা ইরাবতকী মীতম শারিবা মফম অসি হেক্তা শাবা নত্তে। ইরাবতকী খোইরি নাওফম তাফম ওইবদা নৎতনা তাংবোদা ইরাবতনা লৈখিদবা মফমদুমক্তগী হায়বদি য়াতাফম ওইখিবা তাংবোদগী লৈশা লৌরগা মীতম শাবা মফম অসিদা ফুমদুনা শাবনি। মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা খঙবীদ্রবসু য়াম্না লুম্না লৌজবা মফম অমনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্লা শেন্বীদবা অমদি নীংশিংবদবা অসি লাইবক থীবনি হায়খি। থৌরম অদুদা চেরিটেবল ট্রষ্টকী চীফ এদভাইজর এন নি নোংয়াই অমসুং মহেসসু মপুং ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্বশিংদা অপিল তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) :

নোংমগী ওইবা ট্রেনিং কম কেপাসিটি বিল্ডিং ওন পি এম এস ভি অনিধি (হোকরস লোন)গী থৌরম অমদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম অনী হায়বসি বিষ্ণুপুর কাউন্সিল ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা অমদি কৈবুল ময়াই লৈকাই মান্দোপতা নেসনল হোকরস ফেদরেসন মণিপুর ষ্টেটনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা নেসনল হোকরস ফেদরেসন (এন ঐচ এফ)কী জেনরেল সেক্রেটরি শক্তিমান ঘোস, এন ঐচ এফ মণিপুর ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি তামা অমদি এ টি ৱাই এ টি এগী টিম লিদর এম নন্দকুমারনা মরু ওইবা মীথুংলেনশিং অমদি ৱাঙাঙলোয়শিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা এন ঐচ এফ মণিপুর ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি তামনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং পোৎফম ফমদবনা চানিংঙাই-থক্লিংঙাই লৈতবা, নারকপদা হীদাক ফাওবা লৈনিংঙাই লৈতবা য়াওরি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট ২৯দা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংহন্নবা হোৎনরি। হৌজিক ইন্দিয়াগী ওইনা ৮০% ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং পোৎ য়োনবা লেপ্লি, উপায় লৈত্রবা কয়াদি চানিংঙাই লৈতবনা সুইসাইদ তৌরক্লি। অচৌবা দুকানশিংনা হাংহল্লগা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা ফমহন্দবা হায়বসি য়ানিংদে হায়খি। লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা চহী ৬৩গী মখাগী ষ্ট্রিট ভেন্দর হাংলিবশিংনা স্কিম অসিগী কান্নবা লৌনবা অথুবদা ফোর্ম সবমিসন তৌবা হৌনবা হোৎনবিরো হায়না অপিলসু তৌখি।

ফারগা পুরম্বা থেঙ্গু ফোরেষ্টতা খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) :

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ক্লাক্তাগী মফম অমদা ফারগা চাননবা পুরম্বা মলায়ান বোক্স হায়রগা খঙনবা থেঙ্গু অমা কল্লগা ফোরেষ্ট লোইশঙগী ওফিসলশিংদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

থেঙ্গু অসি তোম টিভিগী স্পেসল করেসপোন্দেন্ট ডা. হুইদ্রোম রোমেন অমসুং য়ঙ ক্লাক্তা ওর্গনাইজেসন (ৱাই কে ও) গী প্রসিদেন্ট এম দি অনিশ অহন্মদনা থেংনরকপনি হায়রি।

কলহৌরবা থেঙ্গু অসি মোইরাং লমখাইদা লৈবা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসকী দেপ্যুটি রেঞ্জর ঐচ জয়েন্তদা খূৎশিন্নখিবনি হায়রি।

ফ্লাইট তরেৎতা মীওই ৬৩১ পুরকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি তপ্না তপ্না হেনগৎলক্লবসু মপান লমদা পল্লম্বা অমদি মপান লমদগী মণিপুরদা চঙলক্কদবা মীওইশিংসু নুমিৎ খুদিংগী ফ্লাইটতা লেপ্তুনা পুদুনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লক্লি।

ঙসি অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ ফ্লাইটতা দিল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৮৮, অনীশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ-৪৫৭তা ঙসি অয়ূক পুং ১০.৪০ রোম তাবদা গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৯৭, অহুমশুবা ফ্লাইট ইন্দিয়া এয়র লাইন ৯ আই - ৭৮১দা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৪৫ রোম তাবদা কোলকটা অমদি দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ২৫, মরিশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ-৮৮৯দা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫০ রোম তাবদা অগরটালাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৪, মঙাশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ-৬৩২৩দা ঙসি নুংথিল পুং ২১ রোম তাবদা কোলকটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৫, তরুকশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ - ২০১৯দা ঙসি নুংথিল পুং ১.১০ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১১৬ অমদি তরেৎশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯৭তা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৩ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা মে ২৫দগী ঙসি ফাওবদা মণিপুর ৱাংমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই পূন্না ৪৬,১৩৭ রোম ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে।

লৈমরোল লমজিংকোনগী মপোক নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) :

লৈমরোল লমজিংকোন (লৈমকোন) মণিপুরগী ৩০ রক শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম লৈমরোল ৱিমেন্স এবোর্দ কমপ্লেক্স, অচানবীগৈদা এস ও পি ঙাক্লা য়াম্না চন্না পোঙথোকখ্রে।

"ঐখোয়গী হয়েংগী লাইবক ঐখোয়না লেপচগদবনি" হায়বা ৱাখল্লোন্দা লৈমরোল লমজিংকোন (লৈমকোন)গী ৩০ রক শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম লৈমাকোনগী প্রসিদেন্ট, এম সী রিতা, এস সী ইনাওচা সেক্রেটরি মীতৈ লৈবরোল সিন্নাই শঙ (এম এল এস জি) অমদি টি ঐচ রাজেন, সোসল এক্তিভিষ্টনা ময়াই তাংবল লৌদুনা লৈমকোন ৱিমেন্স অবোদ কমপ্লেক্স, অচানবীগৈদা এস ও পি ঙাক্লা অচম্বা থৌরম অমা ওইনা পাঙথোকখি।

ঙসি লমদম অসিগী মীয়াম্না মখল মখা কয়াগী চৈফু-চৈথেংশিং হকথেংনরিবশিং অসিবু মায়োক য়াদুনা লমদম অসিবু মীথোই মীহেনবা, মীপাল তাংদবা, ৱাত্ত-পাদবা অমদি মরোমদোম হিংজবা ঙমজবা লৈপাক-খুন্নাই ওইহন্নবগী পান্দমদা ঙসিদগী চহী ৩০গী মমাংদা লৈমরোল লমজিংকোন (লৈমকোন) ৱাখল মান্নবা মীওই কয়ানা পুনশিনমিন্নদুনা শেমখিবনি। তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা লৈপাক্কীদমক মখল-মখা কয়াগী থৌদাংশিং লৌনরিবশিংগী মরক্তা লমদমসিদা হিংলিবা ঐখোয় মরু-ওইনা নুপী ওইবীশিংগী থাক অমসুং ফিদম নোংম-নোংমগী লৈখা তারক্তুনা ঙসিদি মালেমদা শক-শোন্নরম্বা লমদমসিগী নুপীশিংবু ইকাই ফিরুকহন্নবা চথুরক্লিবা থৌওংশিং থেংনবা হায়বা শরুক অমা ঙসি ঐখোয়দা অচৌবা অহোংবা অমা ওইদুনা লাক্লি। ঐখোয় খুদিংদা অতোপ্পবু হুন্দুনা ঙাংবা, ক্রিটিসিজম পীবগী চৎনরোল খম থেংলবসু ইশানা-ইশাগী অৱাৎপা করিনো খঙদোকচনবা সেল্ফ ক্রিটিসিজমগী অৱাৎপশিং খংমিন্নবগী তঙাইফদবদু মাংদা থল্লগা লৈমকোন্না মণিপুরগী কাচিন-কোয়া শীন-থুংনা চত্তুনা মীয়াম হুপ্না অৱাৎপা অশোয়বশিং চুমথোক্লবগী থৌদাং চহী লিশাংশিংনা লৌদুনা লাক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা লৈমকোন্না চহী খুদিংগী অকক্ন বা থিম অমমম পুথোক্তুনা মাংদা থল্লগা মীয়ামগী থৌদাং পাংদুনা লাক্লি।

ঙসি লমদম অসিদা নুপী ওইবীশিংগী ওইরিবা ফিভম য়াম্না ইকাই ফিরুক্লনিংঙাই ওইবা তাঙ্কক অমদা লৈরি। মীরমগীনিবু হায়রবদি হেক্তমক ফরে খনবা ৱাখল মীৎয়েংদুনা ঙসিদি নুপীশিংনা মীরমগী ফিজেৎ-চাকচেৎ, চৎনবী-চৎনরোল, চাকচা-য়ুথক পুন্নমক মীতৌ তম্নরকপগী মহৈদুনা নুপী কয়াগী পুন্সি খাঙুথক্তা পীখম্নরি। নুপী কয়া নমজা নমথেক্লবীরি অমদি অৱাফমদা হুন্দোকপীরল্লি। নুপীশিংনা চাওখৎপগী মিংদা শেৎ-চারিবা অমদি চৎলিবা লিচৎ-শাজৎ অদুনা ঙসিদি নুপী কয়া মীতোপশিংনা থৌওই-উশিৎতবগী থৌওংশিং চথুরকখিবা মশিং লাকঙমদনা থোকখিবা পাউ-চেদা ময়েক শেংনা ফোংনখ্রবদুনি। দিল্লিদা, বেঙ্গলোরদা লমদমসিগী নুপী কয়া মোলেষ্ট তৌবিখিবা, ইকাই ফিরুক্লহনখিবা অনৌবা থৌদোক নৎতে।

অমরোমদা, ঙসি নুপী কয়া অমা মমাংথক্তা তারমদবা, উরমদবা লিচৎ কয়া চৎলকপা ঐখোয় খুদিংনা হকথেংনরি। নুপীশিংনা, য়ু, খৈনি, চুরুপনচিংবা নিশা মখল কয়া শীজিন্নরকপা মীৎমাংদা থোক্লিবা থৌদোক ঙাক্তনি। নুপীশিংনা ক্লা-জ ৱরদা চাবা মশিং হেনগৎলকপা, ক্লা চাববু থাক ৱাংনা খন্নরকপা খুন্নাইগী লাইচৎ হেন্না তমথিরকপগী মশক্লি হায়বসি কনানসু নীংশিনরুদে। অফবী মমানা অচঙবা মচা শেন্বা হায়নরম্বদু ঙসিগী নুপীশিংগী ফিভম অসি য়েংলুরগদি খুন্নাইগী ফিভম খম থেংনা চাওথরে হায়বনি।

ঙসি কোভিদ-১৯গী লুরবা লাইচৎ মতম অসিদা নুপী কয়ানা তাবদা হঙ্গোইবা থৌওং কয়া লেপ্পা লৈতনা চথরি। মচা-মশু, মপুরোইবা লৈরবী নুপী কয়ানা মোবাইলগী খুথাংদা খংনরকপা মশক-মশা খঙদবা, নুপী অঙাং লৈ-লৈতে হায়বসু খঙদবা নুপা কয়াদা মচা-মশু, মপুরোইবা হুন্দোক্লম্লগা চেন-চোংখিবগী থৌদোক-ৱাথোক মশিং থিঙমদনা থোক্লি। মৌ কয়ানা য়ুমথংনবগী নুপাদা চেন-চোংবগী ৱারী কয়া অমসু তারি। অসিগুম্লবা নুপী ওইবীশিংগী থাক-ফিভম অসি য়েংলুরবদি ঐখোয়গী ফুরুপ অসিবু মীতোপশিংনা করি হায়না হায়বীরমগনি হায়বসি খনবদা তুজুংনিংঙাইনি। খুন্নাই অমগী শকয়েং মীংশেলদি খুন্নাইদুগী নুপীশিংনা ওইরিবনি হায়বসি নীংশিংদুনা লমদম অসিবু মাংলোমদা চৎখৎপা লৈপাক খুন্নাই ওইহনবদা ঐখোয় খুদিং ৱাখল খন্থমিন্নদুনা অশোয়বা-অরানবশিং চুমথোকমিন্নরসি, লৈপাক খুন্নাই কন্নমিন্নহৌরসি।

লৌশিং পুক্কে

ঈশিং মরাং কায়না থকপনা হকচাংদা পীবা কান্নবা

মীওইবনা চাকখাউ হাঙলিঙৈদা ঈশিং মরাং কায়না থকপা ফৈ হায়বা ৱাফম অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী ঙাঙনদুনা লাক্লবনি। মীওইবনা হিংবদা ঈশিং চঙই। অয়ুক হেক য়াহৌবগা চাকখাউ হাঙলিঙৈদা ঈশিং থক্লবদি অমুক্লা হেন্না কান্নৈ হায়বা ৱাফম অমা হন্দক্তা নৌনা থিজিনবদগী খঙলে।

হকচাং ফবনা অথোইবা লননি হায়বা মতম চুপ্পা চুমদুনতা লৈরগদবা ৱাফম অমা লৈবনিনা য়ারিবমখৈ চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা হকচাং ফহন্নবা অমসুং লায়না তীন্না চঙহন্দবা মওংদা পুন্সি নুংশাংনা হিংনবা হোৎনগদবনি।

অয়ুক হেক য়াহৌরকপগা চাকখাউ হাঙলিঙৈদা ঈশিং থকপনা খ্বাইদগী তমথিরে হায়রিবা লায়না ফাওবা ঙাকথোকপা ঙম্বগা লোয়ননা হকচাং ফহল্লি। মসিনা চাকখাউ শেংদোকপগা লোয়ননা হকচাং মনুংদা লৈবা অমোৎ-অকায় পুন্নমক শেংদোকই। খ্বাইদগী মরুওইরিবা ৱাফমদি কোলোন শেংদোকপা মরম্না চীঞাক্তা য়াওরকপা কান্নরবা মচল পুন্নমক চাকখাউনা চুপশিনবা ঙম্মী। চাবা তুমহনবগী মথৌ তৌরিবা দাইজেষ্টিব সিষ্টেম শেংদোক্লবদি হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পীবা মরম্না নুমীৎ খুদিংগী চাকখাউ হাঙলিঙৈদা ঈশিং মরাং কায়না থকপা মথৌ তাই।

হকচাংগী কাচিন-কোয়া শীনবা থুংনা চেনবদা ঈ পুন্নমক মোৎশিল্লকই। অদুবু চাকখাউ হাঙলিঙৈদা ঈশিং মরাং কায়না থক্লবদি ঈদা য়াওবা অমোৎপা পুন্নমক শেংদোকপা মরম্না কুচু শেংহল্লি। মসিদসু নত্তনা অনৌবা ব্লদ সেল অমদি মশল সেল শেমগৎপদা মতেং পাংই অমসুং হকচাংগী অরূম্বা হন্থহল্লি।

নীংশিংগদবা অমনা অয়ুক ঙন্তা ঈশিং থক্লবা মতুংদা ঙাইহাক্তি মপং ওইবা চীঞাক অমত্তা চারোইদবনি। য়ামদ্রবদা নুমীৎ খুদিংগী অয়ুক হেক য়াহৌরকপগা ঈশিং লিটর অমরোম থকপা মথৌ তাই। অহানবদা খজিক-খজিক থক্লস্বদগী তপ্না তপ্না চাং হেনগৎলক্লবসু অকায়বা লৈতে। ইচম চম্বা থৌরাং ওইজবা তারবসু অয়ুক হেক য়াহৌরকপগা চাকখাউ হাঙলিঙৈদা ঈশিং থকপনা চীকপা-নাবা, অজমা অমদি কেন্সরনচিংবা লায়না কয়া ঙাকথোকপা ঙম্মী।

ঈশিং থকপনা হকচাংদা পীরিবা কান্নবা পুন্নমক চহী কয়াগী মমাঙদগী ডা. বেটমেন ঘেলিজনা খঙলকখি। ইরনেদা পোলিটিকেল প্রিজনর অমা ওইনা কৈশুমশঙদা লৈরিঙৈদা ঈশিংগী কান্নবা খঙলকপদগী মহাক্লা জেলদা লৈমিন্নবা মীওই ৩০০০ লোম ঈশিং খক্তনা লায়েংলম্মী।

লন্দনগী সেন্ট মেরিজ হোস্পিটাল মেদিকেল স্কুলদা তম্লকখিবা ডা. বেটমেননা কৈশুমশঙদগী থোরক্লবা মতুংদা মপুং ফানা ঈশিংগী লায়েং (ৱাটর থেরাপি) দা মায় ওনশিনখি। মহাক্লা মখা তানা থিজিনবদা ঈশিং ৱাৎপনা হকচাং মনুংদা দিহাইদ্রেসন তৌবদগী থোকহল্লকপা অমাঙ-অতা পুন্নমক খঙলকখি।

অকোনবদা মহাক্লা ঈশিং খক্তগী মতেংনা মীওই কয়া লায়েংবা হৌরকখি। মহাক্লা থেংনরকপা, খঙলকপা ঈশিং থকপগী কান্নবা পুন্নমক ইন্টর্নেসনল কনফরেন্স কয়াদা শরুক য়াদুনা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লাইরিক ওইনসু ফোঙলকখি। মহাক্লা ইখিবা লাইরিক অনী-'য়োর বোদিজ মেনি ক্রাইজ ফোর ৱাটর' অমদি 'হাও টু দীল ৱিথ বেক পেন এন্দ রুমাটোইদ জোইন্ট পেন' ঙসিসু মীয়াম্না অদুম্মক পাম্নরি। ডা. বেটমেন ঘেলিজনা হায়খি, হকচাং মনুংদা ঈশিং ৱাৎপদগী হকচাংনা উৎথোরকপা খুদম চাংদম কয়াবু মীওইবনা অতৈ অতোপ্পা লায়না ওইনা হেক হেক শেরান্নবা মওংদা লৌই। ইচম-চম্বা মওংদা ঈশিং মরাং কায়না থক্লগা লায়না ফহনবা য়াবা লায়না কয়াবু শেল অমদি মতম চঙনা লায়েংনরি।

মতম শাংনা ঈশিং ৱাৎপদগী ওইরকপা ক্রোনিক দিহাইদ্রেসন অমসুং ৱাটর থেরাপিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, নোংমগী হকচাংনা ঈশিং খজিক-খজিক ৱাৎখিবনা চহী য়ামশিল্লক্লবা মতমদদি অমাঙ-অতা কয়ামরুম থোকহল্লকই।

ঈশিং ৱাৎপদগী দিহাইদ্রেসন তৌদুনা উৎথোরকপা খুদম-চাংদমশিংবু করিগুম্বা মতমদা ডোক্তরনা অতোপ্পা লায়না ওইরবোই নীংদুনা কান্নদবদা হীদাক লাংথক কয়া থারি। হকচাং মনুংদা ঈশিং ৱাৎপদগী ওইহল্লকপা য়াবা লায়নাশিংগী মনুংদা দিসপে-পসিয়ন, রুমাটোইদ অথ্রাইটিস, এঞ্জিনা, মাইগ্রেন, কোক চীকপা, কোলাইটিস, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাইপরটেন্সন, এনিমিয়া, ওবেসিটি, সাইন্নসাইটিস, পলমোনরি ট্যুবরকুলোসিস, অজমা, কিদনিদা নুঙ লৈবা, দাইবেটিস, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, ল্যুকেমিয়া, য়ুটেরাইন কেন্সর অমসুং ব্লদ কেন্সর অসিনচিংবা কয়া য়াওরি। হৌগৎলকপদা ঙায়রিঙৈদা হায়রিবা লায়নাশিং অসি অতৈ অতোপ্পা হীদাক লাংথক থাদ্রবসু ঈশিং মরাং কায়না থক্লগা ফহনবা ঙম্মী হায়বা থিজিনবদগী খঙবা ঙম্লে।

১৭শুবা মণিপুর মতম ঈশৈ নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) :

অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (অম্মিক) না শীল্লগা মমি টি ভিনা সপোর্ট তৌদুনা ঙসি নুংথিল মমি টি ভিগী ষ্টুদিওদা ১৭শুবা মণিপুর মতম ঈশৈ নুমিৎ ২০২০ পাঙথোকখ্রে হায়না অম্মিক্কী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, কম্মিস্নর আর্টস এন্দ কলচরগী মোংজম জয় (আই এ এস), অম্মিক্কী প্রসিদেন্ট এস টিজেন্দ্র, অম্মিক্কী এদভাইজর হামোম নবা অমদি অম্মিক্কী ভাইস প্রসিদেন্ট খাইদেম থোইবনা চীফ গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মতম ঈশৈগী লময়ানবা লৈখিদ্রবা অহলশিং, লুচিংবা হিজম ইরাবতনচিংবগী ফোটোদা হৈ-লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নখি।

থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কাঙলূপ কয়াগী লৈবাক নীংবা ঈশৈ, ফোক ঈশৈশিং অমসুং মণিপুর লৈহাওগা চান্নবা লমদমসিগী ওইবা মখল মখা কয়াগী ঈশৈশিং অম্মিকনা রিলিজ তৌখি। লোয়ননা থৌরম অসি অম্মিক থৌবাল, ককচীং অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টশিংদসু চীং লেম্না পাঙথোকখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

এম বুদ্ধ, চিংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়

মণিপুরদা খ্বাইদগী মরুওইবা পাউ ১ পনবা তারগদি মীখল অমসুং মসিগা মরী লৈনবা পাউনা ওইরি। মরুওইবা পাউনি হায়রবনিনা মীয়াম্নসু হীরম অসিদা থৱায় য়াওশিন্নরক্লিবনি। মাস কম্যুনিকেসন হায়বদি প্রিন্ট, ইলেক্ট্রোনিক অমসুং ব্রোদকাষ্ট অসিনা মীওইবগী হৈনবি, থাজবা অমসুং ফীভমশিংদা অহোংবা পীবা নৎত্রগা ইনোৎ হাপ্পা ঙম্মী হায়বসি খুদম লৈরবা ৱাফমনি। কোভিদকী লায়না-লাইচৎ অসিবুদি মীয়াম্না কাউথোক্লরকপগুম তৌরে। শুপ্নগী অনাবা মশীং, ফগৎলকপশিং অমসুং শীবগী চাং উৎপা দাটা খরা পীরিবা অসিনা লোইরে। মরী লৈনবশিংনা লাইনা-লাইচৎ অসি মতৌ করম্না লাম্থেংনরিবগে অমসুং লায়না অসি লাকশিন্নবা করি করম্বা থৌরাংনচিংবা লৌখৎলিবগে হায়বগী মরমদদি চেক-মোক লাওখিদ্রে। সেপ্টেম্বর থাখায় খক্তদা মীওই ২১ শীখ্রে। চাংচৎতা মীওই ১৮৫না নোংমদা পোজিটিভ ওইখি। অদুগা হায়রিবা থাখাই অসিদা নোংমগী চাংচৎতা মীওই ১৩৬না নাবা ফরকখি। ফরকপগী চাং অসি চাদা ৭৭.০২নি হায়রিবা অসি শুপ্নগী চাং অমখক উৎপতনি। মসিদি কোভিদ-১৯ লাম্থেংনবা নত্তে। নখোয় নশা-নশানা লাম্থেংনজরো হায়না ইন্থোরকপগুম উরিবা অসি মতম খজিক ৱাৎলিবরা হায়না খল্লি। মরমদি হৌজিক পোজিটিভ ওইবা মীওই ২৪৫৬ লৈরিবনি।

ওইনাম কুঞ্জেশ্বর, লাংজিং অচৌবা

সেন্টরদা বি জে পি লৈঙাক্লা ৱিমেন ইম্পৱারমেন্টকী মতাংদা ইন্দিয়া পুম্বদা লাওরি। নুপীদা পৱার পীগদবনি। নুপী ওইবিশিংবু ইকায় খুম্নবিগদবনি। নুংশিবা মীৎয়েংনা য়েংবিগদবনি। লাইরিক তম্বা নুপীশিংবু রিজার্ব থম্বিগদবনি। শোয়নরবা নুপীমচাশিংবু লেম্না লাইরিক তমগদবনি হায়রি। অদুবু মণিপুরদদি নুপী ওইবিশিংবু মরম খরদা নেম্না থম্বিরব্রা হায়না খল্লি। সীট ৬০ লৈবা ষ্টেট অসিদা নুপী মীরেপ অমখক কাদুনা মিনিষ্টর ওইরম্বদগী খঙহৌদনা মিনিষ্টরদগী লৌথোকপসি মণিপুর নুপী মীয়ামবু থওইদবা মানবগী মমি অমা তাই। কাংপোকপী এ সীদগী কারকপা এম এল এ নেমচা কিগেনবু মিনিষ্টর ওইরকপদা মণিপুরগী নুপীশিং হরাউনখিবনি। মখোয়গী ৱাকৎ তাবিনবা নুপী মিনিষ্টর অমা লৈরে হায়না চাওথোকচখিবনি। অদুবু ঙসিদি মদুগী ওন্ন-তৈনবদা লৈখ্রে। ঐখোয় মণিপুরগী মীয়ামশিংসে নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা থম্বা পামজবা ফুরুপ অমনি। মণিপুরদা লৈরিবা ওর্গনাইজেসন কয়ানা মীদিয়াগী মমাংদা নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা থম্বিগদবনি হায়না কন্না লাওবিখি। নুপী কয়া হাৎতোকপীখ্রে। মরাল লৈবশিং লৈঙাক্লা ঙসিসু চৈরাক পীবিদ্রি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১।১০।২০২০ ইং, শগোলশেল;
মেরাগী থানিল।

মেষ : নচাক নরলদা হুরানবনা মীৎয়েং চংবা অমদি চিন শোইরগা নরল কাইবা য়াবা লৈ। পাইরক্কী লৌশিং হেনগৎপা, লেংদবা লনসু লেপশিনবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং চাওনা ফংবা, অনৌবা থৌরমদা পূক্লিং চংবা অমদি কান্নবসু হেনবা নুমিৎনি। মতাং চাদনা থৌনা ফুদোকপদি অপঙ তানি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : খুরৌ থাংবা, মরুপ-মপাংনা থাগৎপিবা ৱাৎপা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা নুমিৎনি।অদুবু থৌনা হন্দ্রবদি শেল-থুমগী লম্দদি চাওনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : য়েংনবা য়াওরুনু, ৱা য়াম্না ঙাঙগনু অমদি অখঙ অহৈ শাগনু। মদুনা মাঙবা য়াবা কয়াদগী কনবা ঙমগনি। অরুবা মরমদা অখঙ-অহৈ অমদি লোয়নবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : মীয়াম্না য়াই, মরী-মতা/নক্লবনা চানবীবা অমদি পল্লম্বা থবক পাংবৈ নুংঙাইবা লৈগনি। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎলি, থৌয়াম পুগনু অমদি নোল্লুকউ।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : য়াম্না লাইবক ফগনি, অনীংবা থবক লায়না পাংবা ঙমগনি অমদি শেল-থুম ফংবা য়াবসু লৈ। ফিংবা অমদি চিন শোইবনা নরল মাঙহঞ্জবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : লাইবক ফরে, মীচং লৈরনি, থবক্কী পাউ নুংঙাইগনি অমদি শেন্দোং তানবা থবক কান্নগনি। অঙম্বনা য়ানবদি হোৎনৌ-ঈকাইবা নংবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃশ্চিক : মতম মাঙবা, ইমুং-মনুংদা কিবা পোকপা, অনাবনা তাথিবা অমদি লম চৎপা মাঙজবা লৈগনি। মীয়ামগী মতেংনা অরুবা থবক পাংবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : ৱানোম থৌনোম কান্নবা, লৈঙাক্কী লম্দা মায় পাকচবা অমদি অরুবা ৱাফমদা ৱা তুপথোকপা ঙম্বা নুমিৎনি। হন্থবা লোয়নবদি ৱাথোক ওইবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : লল্লোন ইতিক্তা ওইজবা ফংগনি, অচৌবনা থাগৎপিগনি অমদি তুংগী পোরম য়াৎপা হৈগনি। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎলি অমদি লাংতক্লগনু-ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : অনৌবা অমদি অফবা লৌশিং তানশিনবা মায় পাকচগনি। পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংবা য়াবা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি-থৌয়াম পুগনু-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : হরাওবা, নুংঙাইবা, মীচং লৈবা অমদি লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নবা নুমিৎনি। য়েক্লবনা পামদবা নংহনবা য়াবা লৈ অদুনা তপথৌ, নাপলসু তৌরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাকই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।